# ইবুধৌ মার্জিং টিম এ, মণিপুর পুলিস টিম এ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৮ ঃ
ওল মণিপুর পোলো এসোসিএশন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী মপান কাংজেবুংদা টিম ২২ না শরুক য়াদুনা চথুরিবা ৩৩ শুবা ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা ইবুধৌ মার্জিং খুভম কনবা লূপ টিম এ, মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এ অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লব মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা ইবুধৌ মার্জিং খুভম কনবা লূপ টিম এনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সী পাঞ্জল ৭-৫ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা মায় পাল্লবা ইবুধৌ মার্জিং খুভম কনবা লূপ টিম এগী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্রদা থোমসন্না পাঞ্জল অমা চনখি। অহুমশুবা চক্রদা থোমসন অমসুং রোজরনা পাঞ্জল অমমম চনখি। মরিশুবা চক্রদা রোসন্না পাঞ্জল অনী, থোমসন অমসুং রোজরনা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৭ শুখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম সীগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা পাঞ্জল অনী সলাম ভাইকিং অমসুং অবুংচানা চনখি। অনীশুবা চক্রদা বেবেকানন্দনা পাঞ্জল অমা চনখি। অহুমশুবা চক্রদা অবুংচানা পাঞ্জল অনী চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল ৫ শুখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এনা কে এন্দ এম রাইদিং স্কুল পাঞ্জল ৫-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।




মেচ অদুদা মায় পাল্লবা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম এগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা অবুং খুমন, জৱান অমসুং বিনোদনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অনীশুবা চক্রদা এস বিমোলনা পাঞ্জল অমা চনখি। মেচ অদুগী মরিশুবা চক্রদা এস বিমোলনা পাঞ্জল অমা অমুক চন্দুনা টিমদুগী পূন্না পাঞ্জল মঙা শুখি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা কে এন্দ এম রাইদিং স্কুলগী অহানবা পাঞ্জল অদু চাউবনা অহানবা চক্রদা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অনীশুবা চক্রদা রোহিটনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা মেচতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লবনা খুরাই পোলো ক্লব টিম বি পাঞ্জল ১২-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাল্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লবকী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্রদা পাঞ্জল অনী টি ঐচ মনিহার অমসুং কোকেশ্বরনা চনখি। অনীশুবা চক্রদা মনিহারনা পাঞ্জল অমা চনখি। অহুমশুবা চক্রদা দোরেন, গিরিমোহোন অমসুং সমরজিৎনা পাঞ্জল অমমম চনখি। মেচ অদুগী মরিশুবা চক্রতা কোকেশ্বরনা পাঞ্জল অনী অদুগা সমরজিৎনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পোলো ক্লবকী পূন্না পাঞ্জল ১২ শুখি।

মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা খুরাই পোলো ক্লব টিম বিগী অহানবা পাঞ্জল অদু সেলাননগী ওন গোলদা চনখি। টিমদুগী অনীশুবা গোল মরিশুবা চক্রদা নোংপোকঙানবনা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম বি অমসুং ক্রিপসা টিম এ নাওরেমথোংগা শান্নগনি। অনীশুবা নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা মেচ ক্রিপসা টিম বি নাওরেমথোং অমসুং এক্স পোলো ক্লব টিম এগা শান্নগনি।

# ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌনা ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৮ ঃ রাইজিং নোজেল ক্লব (আর ৱাই সী) খুয়াথোংনা শিন্দুনা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথুরকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল মিনি বোইজ ফোর এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ৱিন্নর এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌনা ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এল কে ৱাই দি , লাইফম খুনৌনা এ এল এল উরিপোক গোল ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। মেচ অদুদা মায়থীহৌরবা এ এল এল উরিপোক্কা রন্নর্স-অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা মাইবা খুল য়ুনিয়ন ক্লব (এম য়ু সী) গী শান্নরোয় খুন্দ্রাকপম মাইকেলনা বেষ্ট প্লেয়র তাখি। খুরাই জেনেল ক্লব (কে জি সী) খুরাইগী শান্নরোয় দোনেক্স থাংজম্না টোপ স্কোরর তাখি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিদা গোল তরুক চনখি। টুর্নামেন্ট অসিগী বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমগী মনানা আর কে সী টিম বি খুয়াথোংগী রাইজিং নোলেজ ক্লবনা তাখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া লেপ্তুনা চত্থখি।



মেচ অদুদা এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না মিকুপ নাহুমশিংনা শান্নরকখি। মেচ অদুগী তরেৎশুবা মিনিটতা য়ুহেনবনা গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্ন বগী লম্বী শেমখি।

গোল শোত্থরিবা এ এল এল উরিপোক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি অদুবু মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। গোল মাঙজিল থারিবা এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌগী শান্নরোয়শিংনা তপ্না তপ্না মেচ অদু দোমিনেট তৌশিনখি।

টিমদুগী শান্নরোয় য়ুহেনবনা টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি। টিমদুগী শান্নরোয় রোহিটনা টিমগী অহুমশুবা গোল মেচকী ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি। গোবিন্না টিমদুগী মরিশুবা গোল মেচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা অদুগা উত্তমনা মঙাশুবা গোল মেচকী ৪৮ শুবা মিনিটতা চনখি।

মেচ অদুদা এল কে ৱাই দি এ লাইফম খুনৌনা গোল মঙা থংনা থংননা চনখ্রবা মতুং এ এল এল উরিপোক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা এল কে ৱাই দি এগী মখূৎতা মায়থীহৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা অমদি ইন্দিভিজুএল প্রাইজ ফংখ্রবা শান্নরোয়শিংদা ট্রোফি অমসুং শেলগী মনাশিং পীখি।

# মণিপুরগী নুপী টিম্না নেসনল অমেচর রগবি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে, নুপানা রন্নর্স-অপ তাখ্রে







ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৮ ঃ
নেসনল অমেচর রগবি ফুটবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শিন্দুনা টেলঙ্গনাগী বেলামপালিদা থা অসিগী ৪ দগী ৮ ফাওবা চথুরকখিবা ১৫ শুবা নেসনল অমেচর রগবি ফুটবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী নুপী টিমনা চেম্পিয়ন অমসুং নুপা টিমনা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

ইন্দিয়াগী ষ্টেট ১১ না শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেচতা মণিপুরনা হরিয়ানাবু ১৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মণিপুরগী রিতানা ত্রাই অনী অমদি মোনিকানা ত্রাই অমা লৌবা ঙমখি। নুপাগী ফাইনেল মেচতা মণিপুরনা ছটিশগরগী মখূৎতা ৭-১৫ দা মায়থীহৌদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি হায়না অমেচর রগবি ফুটবোল এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# ইম্ফাল ৱেষ্ট ভেটেরান ক্রিকেটতা সাইক্লোন্না নবসা মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৮ ঃ মণিপুর ভেটেরান ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী গ্রাউন্দদা চথুরিবা অহানবা তোংব্রম সুবোল মেমোরিএল ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ মায় পাকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা নবসা খা ইম্ফাল ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখি। মেচ অদুদা নবসা খা ইম্ফালনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌনবা খনখি। নবসা খা ইম্ফালনা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১০৮ লৌখি।

নবসাগী বেটসমেন রতন্না রন ৩৮ (৪৫), কেশোরজিৎনা রন ২১ (২৪), পুসপেন্না রন ১৫ (৪০), সোমোরেন্দ্রোনা রন ৩৫ (২৫) লৌখি। ইন্নিংস অদুদা ফিল্ডিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী বোলর সুধিরনা ওভর ৩.৫ লংবদা ৱিকেট ৩ লৌখি। বিনোয়না ওভর ৬ তা ৱিকেট ২ অদুগা সুরজিৎনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ২ লৌখি।

নবসানা থম্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা ওভর ২৩.৩ মায়োক্নখিবদা শুপ্নগী ৱিকেট ৩ খক আউট ওইরগা রন ১১০ লৌদুনা নবসা খা ইম্ফালবু ৱিকেট ৭ তা মায়থীবা পীখি।

মেচ অদুদা সাইক্লোনগী বেটসমেন অরুন্না রন ৩৩ (৫৫), সসিকুমারনা রন ২৭ (৩৪), হোকেন্দ্রোনা নোট আউটতা রন ১৮ (১৭), রোবিন্দ্রোনা নোট আউটতা রন ১১ (২১) লৌখি।

মেচ অদুদা সাইক্লোনগী বোলর সুধির মুখর্জিনা ৱিকেট ৩ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েংগী মেচ লৈরোই। টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ থা অসিগী ১০ দা মোদেল ক্লব টিম বি অমসুং দি এস য়ু ক্বাকৈথেলগা শান্নগনি।

# জুনিয়র ষ্টেট বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৮ ঃ
ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা চথুরিবা ৪ শুবা ষ্টেট লেভেল জুনিয়র বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি লীগ মেচ লোইখিবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ তৌখ্রে।

থা অসিগী ১২ ফাওবা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চত্থগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা এন ৱাই ভি এ টিম বি নাওরেম্না এস ঈ দব্লিয়ু এ নাচৌ সেট ৩-১ (২৫-১৯, ১৮-২৫, ২৫-২১, ২৫-১৭) দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

অনীশুবা মেচতা বাখে সনাকৈথেলনা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম সেট ৩-০ (২৫-২০, ২৫-২২, ২৫-১৫) দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে। অহুমশুবা মেচতা ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈক্রুজমনা এস দি সী শামুরৌ সেট ৩-০ (২৫-১০, ২৫-২২, ২৫-১৫) দা মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেচতা ৱাই ভি এ ঙাইরাংবম্না এস দব্লিয়ু ৱাই সী শান্তিপুর সেট ৩-০ (২৯-২৭, ২৫-১৪, ২৫-১৪) দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অরোইবা লীগ মেচতা এ সী টি সী এল য়ুরেম্বম্না এস ঈ দব্লিয়ু এ নাচৌ সেট ৩-১ (২৫-১৪, ২৫-২২, ২২-২৫, ২৫-২২) দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

হয়েং অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ আই জি ও ওইনাম অমসুং এন ৱাই ভি এ টিম বি নাওরেমগা শান্নগনি। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ এন ৱাই ভি এ টিম এ নাওরেম অমসুং ৱাই ভি এ ঙাইরাংবমগা শান্নগনি। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ এ সী টি সী এল য়ুরেম্বম অমসুং ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈক্রুজমগা শান্নগনি। মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ বাখে সনাকৈথেল অমসুং কে এল ৱাই সী খুরাই লৈকায়গা শান্নগনি।

# কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ০৮ ঃ
ওল মণিপুর কাং এসোসিএশন্না শিন্দুনা কোংবা লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা ইমা অঙৌবী কম্যুনিতি হোল কম কাংশঙদা চথুরিবা মনি নহাকপম, মাঙ্গোলজাও থোইদিংজম অমসুং কুঞ্জবিধু হাওবম এম এম কে নীংশিং কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শলুংফম কাংখূৎ অমসুং লাংমৈথেৎ কাংখূৎ অনীনা শান্নগদবা মেচ অদু শলুংফম কাংখূৎ লাত্তুবদগী লাংমৈথেৎ কাংখূৎনা ৱর্ক ওভর ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী মথংগী মেচ থা অসিগী ১০ দা উচেকোন কাংখূৎ টিম এ অমসুং উচেকোন কাংখূৎ টিম বি অনীনা শান্নরগনি।

HL-B/3577/29-31,1,3,4,5,7-14 jan

## Bye Bye - New Year Offer

"Small Size
Big Gain"
Woollen Jursy/Jacket
Size - L
@ ₹ 499 only
And
Gents Trousers
Waist 28-30
**Brightways**
Thangal Bazar
Opp. Punjab & Sind Bank
*A House of Exclusive Readymade Garments & Hosiery.*





HL-P/0023/6,9,11,13




Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.

HL-B/3537/14/12-14/01




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com